# সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফাইনেল রাউন্দগী অৱে মেচতা নেরোকানা মুম্বাইগী কেনক্রেবু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ : ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী টিম তরুক্তা শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ফাইনেল রাউন্দগী নেরোকা এফ সীগী অনীশুবা অৱে মেচতা হোম টিম ওইরিবা কেনক্রে এফ সী মুম্বাইবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা হোম ভেন্যু তরুক্তা টিম তরুক্তা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা শান্নরিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফাইনেল রাউন্দগী ঙসি মুম্বাইগী কুপরেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা নেরোকা এফ সীগী অৱে মেচতা কেনক্রে এফ সী মুম্বাইবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীদুনা ফুল পোইন্ট ফংখি।

হৌজিক নেরোকানা মেচ অনী শান্নখিবদা মেচ অমনা দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অমনা মায় পাক্তুনা পোইন্ট অহুম ফংবা ঙমখ্রে। নেরোকানা মহাক্কী অহানবা ফংখিবা মেচতা সাউর্দন সম্মিটি কোলকটাগা গোল ১-১ দা দ্রো চৎখিবনি।

মায় পাকখ্রবা নেরোকা এফ সীগী গোল অদু ফোরেন প্লেয়র ওদিলি খেলিক্স চিদিনা মেচকী মিনিট ৬৬ চৎপা মতমদা চনখি।

পনবা য়াই, সেকেন্দ দিভিজন লীগ অসিদা নেরোকা এফ সীগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরিবা শান্নরোয় ১৮ অদুদি গোল কিপরদা ললিট থাপা অমসুং অরুপ দেবনাথনি। দিফেন্দরদা মোহম্মদ আলি, মোইরাংথেম গোবিন, মোইরাংময়ূম অশোক, মোইরাংথেম ধনঞ্জয়, ফোরেন প্লেয়র কার্লোন ভর্নে, ফোরেন প্লেয়র অরাটা ইজুমিনি।

মিদফিল্ডরদা দেবিদ লালবিয়াট জারা, লাইরেঞ্জম বিশেশ্বর অমসুং থাংজম সরননি। রাইট ৱিংদা থোকচোম জোনসন অমসুং সিংনাম সুবাস, লেফ্‌ট ৱিংদা চীংঙাখম আনন্দ অমসুং ক্ষেত্রিময়ূম মালেমঙানবা, সেন্তর ফোরৱার্দতা চোংথাম সুসিল, ফোরেন প্লেয়র ইজিগৌ চিনেদো ইমান্যুএল অমসুং ফোরেন প্লেয়র ওদিলি খেলিক্স চিদিনি। নেরোকা এফ সীগী হেদ কোচনা গীফ রাই খান, টিম মেনেজরনা থাংজম অরুনকুমার অমদি টিম ফিজিওনা ঐচ বিক্রমকুমারনি।

সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ফাইনেল রাউন্দদা শরুক য়ারিবা টিম তরুক অদুদি সাউর্দন সম্মিটি কোলকটা, নেরোকা এফ সী, দেল্লি য়ুনাইটেদ এফ সী, কেনক্রে স্পোর্টস মুম্বাই, ফটে হায়দ্রবাদ অমসুং লোন ষ্টার কাশ্মীর এফ সীনি।

সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফাইনেল রাউন্দ অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নেরোকা এফ সী অমসুং কেনক্রে এফ সী মুম্বাই অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচ অদুগী অয়াম্বা মতমদা দোমিনেট তৌনা চৎখি। নেরোকানা মায়োক্নখিবা মায়কৈদা অকনবা শাফু পীদুনা গোল চন্নবা এটেকশিং চথখি।

থোইদোক হেন্দোক্না লমদমসিগী মমিং লৈরবা লোকল প্লেয়র কয়া য়াওবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী অচৌ অচৌবা ক্লবশিংদা শান্নরম্বা অমদি আই এস এলগী প্লেয়র অমদি ফোরেন প্লেয়র কয়া য়াওদুনা শেম্লবা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা ঙসিগী মেচ অদুদা য়াম্না ফজনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেচ মায় পাক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেচ অদুগী হাফ মতুংদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরক্তুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি।

নেরোকানা মায়োক্নখিবা মায়কৈদা এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্ননবা হোৎনখি। মখোয়না হনবা লৈতনা হোৎনখিদুনা ওপোনেন্টকী মায়কৈদা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৬৬ চৎপা মতমদা ফোরেন প্লেয়র ওদিলি খেদিক্স চিদিনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

নেরোকানা গোল চনখিবদগী তপথদ্রবা কেনক্রে এফ সী মুম্বাইনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক অকনবা এটেকশিং মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখি। অদুবু নেরোকাগী লিংলবা দিফেন্সতা হাইজিনবা ঙমদনা লৈখি।

নেরোকাসু মখা তানা গোল চন্ননবা হোৎনখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে। মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা নেরোকানা গোল অমদা মাঙজিল থানা লৈখিবগা লোয়ননা মেচ অদু মায় পাকখি।

# টি বি এস এফ এ ভেটেরান কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ভি এস এ আই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :

টি ঐচ বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমি (টি বি এস এফ এ) তাওবুংখোক্না শিন্দুনা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা টি বি এস এফ এ ভেটেরান কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দনা আই ভি এফ এ কাঞ্চিপুরবু ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।



লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ভেটেরান ফুটবোল টিম ৯ না শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী মেচ অদুদা ভি এস এ আই থাংমৈবন্দনা অয়াম্বা মতমদা দোমিনেট তৌনা চৎখি।

ভি এস এ আই থাংমৈবন্দনা মায়োক্নখিবা আই ভি এফ এ কাঞ্চিপুরগী সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা এম বিমোলচান্দনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

আই ভি এফ এসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক অঙম্বা শক্তি পুথোক্তুনা ভি এস এ আইগী মায়কৈদা তকখৎলকখি। অদুবু মখোয়গী টিম মেটশিংগী মরক্তা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনদবা তাঞ্জা য়াওখিবনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং অরেম্বা তাখি।

ভি এস এ আইগী মখা তানা হনবা লৈতনা মায়োক্নখিবা সাইদতা অকনবা শাফুশিং পীদুনা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২৩ চৎপা মতমদা কে ঐচ রাজেন খাঙানবনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা অমুকসু হন্না মাঙজিল থানা চৎখি।

মখা তানা ভি এস এ আইনা এটেকশিং চথরকখি। আই ভি এফ এসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক ভি এস এ আইগী মায়কৈদা তকখৎলকখি। মখোয়না ফংখিবা খুদোংচাবশিং অমত্তা লেম্না মাঙহনবা তৌদনা গোল এটেম্পশিং তৌখি। অদুবু টার্গেট মপা চানা কাওবা ঙমখিদবনা গোল ওন্থোক্নবগী ওইথোকপা লৈখিদে।

ভি এস এ আইগী য়াম্না অন্দরষ্টেন্দিং লৈনা মেচ কুম্লকখিবনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩০ চৎপা মতমদা এম বিমোলচান্দনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিনখিদুনা টিমবু ৩-০ দা মাঙজিল থাহনখি।

অহানবা হাফ ফাওবদা আই ভি এফ এনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা ভি এস এ আইনা য়াম্না টেম্পো লৈনা মায়োক্নখিবা সাইদতা তকখৎলকখি।

মখোয়গী হনবা লৈত্রবা এটেক্তা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি। অদুবু পাক হেক গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে। ভি এস এ আইনা মখা তানা মায়োক্নখিবা সাইদতা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৬৯ চৎপা মতমদা এন জি রাজেসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৪-০ দা লৈখি।

আই ভি এফ এনা গোল হন্দোক্নবগীদমক অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখ্রবসু ভি এস এ আইগী দিফেন্সতা হাইজিনবা ঙমদনা লৈখি।

মখা তানা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী আই ভি এফ এনা ভি এস এ আইগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

# সেনিয়র ৱিমেন’স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী মণিপুর টিম শেম্লনবা ত্রাইএল কম কোচিং চথরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ :

পঞ্জাবনা য়ূম্বু ওইদুনা ফগৱারাদা লাক্লিবা মে ১৫ দগী চথবা হৌগদৌরিবা ২২ শুবা সেনিয়র ৱিমেন’স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬-১৭ তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম শেম্লনবগীদমক পাঙথোক্কদবা ত্রাইএল কম কোচিংদা য়াওগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না লাউথোকখ্রে।

হায়রিবা ত্রাইএল কম কোচিংদা শরুক য়ানবগীদমক মমিং লাউথোকখ্রবা প্লেয়রশিং অদুদি গোল কিপরদা ঈ এস য়ুগী ঈ পান্থোই চনু অমদি এন সুনিবালা, এম পি এস সীগী ও রোসনি দেবী অমদি গঙ্গা অমসুং ক্রিপসাগী এম লিন্থোইঙম্বীনি।

দিফেন্দরদা ঈ এস য়ুগী জি রাধারানি দেবী, এন জি স্বিটি দেবী, টি ঐচ উমাপতি দেবী অমদি এম থাহেনবী, এম পি এস সীগী এ রোমি দেবী অমদি কে ঐচ সুরবলা দেবী, ক্রিপসাগী ও রোসনি দেবী, এল মাধবী দেবী, দব্লিয়ু লিন্থোইঙম্বী অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী (লংথবাল) গী সী ঐচ বসন্তিনি।

মিদ ফিল্ডরদা এম পি এস সীগী এস প্রমোদিনি, ঈ এস য়ুগী আই প্রামেশ্বরি, এম মন্দাকিনি অমদি এম অচোনবী, ক্রিপসাগী টি ঐচ কৈন্যাকুমারি, ৱাই চন্দ্রজিনি, ৱাই হেমোলতা অমদি এল আশারানিনি।

ষ্ট্রাইকরদা এম পি এস সীগী এন জি বালা দেবী, ক্রিপসাগী দোমিনিক গ্রেস, রতনবলা, এস রঞ্জনা, ঈ বিদ্যারানি, ঈ এস য়ুগী কাশমিনা, রঞ্জিবলা, পি ঐচ অঞ্জলিনি।

খল্লবা প্লেয়রশিংনা লাক্লিবা এপ্রিল ১৬ কী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদগী নুংতিগী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা ত্রেনিং কিটসকা লোয়ননা লাক্তুনা টিম কোচ অমদি মেনেজরদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।





# এদভেঞ্চর কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ : মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেক্কিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা এপ্রিল ২৩ দগী লাক্লিবা মে ৪ ফাওবা মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং ইনষ্টিট্যুট লমদান্দা ৭৯ শুবা এদভেঞ্চর কোর্স পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেক্কিং এসোসিএশন (এম এম টি এ) না থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। হায়রিবা এদভেঞ্চর কোর্স অসিদা য়াওনিংবা নহাশিংনা মীনুথোংদা লৈবা মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএশন্দগী এপ্লিকেসন ফোর্মশিং লৌরবা য়াগনি। মেনশিল্লবা ফোর্ম অদু এপ্রিল ২০ ফাওবগী মমাঙদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএশন্দা লাক্তুনা খঙলবা য়াগনি হায়রি।













Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com